**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-03-2025)**

**জন ওসদি (এল) ঃ** জন ওসদি দিবস ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি মনিপুরদসু পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী জেনিমস হোস্পিতালদা জন ওসদি দিবসকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা শরুক য়ারদুনা হায়-ওসদি কেন্দ্রশিং অসিদা ফংলিবা হিদাকশিং মমল হোংহ হায়দুনা অফবা মখলগী হিদাক ওইরল্লোই হায়না খনবীগনু। হিদাকশিং অসি মীচম মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙমবগীদমক শেম্বনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা জন ওসদি কেন্দ্র লিশিং ১৫ হেন্না হাংদোক্লে। মীচম মীয়াম খুদিংমকা মসিগী খ্দোংচাবা লৌবিয়ু। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা জন ওসদি কেন্দ্র লিশিং ২৫ হাংদোকবা কেন্দ্র সরকারনা পান্দম থল্লি।

লৈশেম্বা সনাজাউবনা ওসদি কেন্দ্র অসিদা হিদাক লৈবা লাকখিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা উ-চারাশিংসু য়েন্থোকখি। কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা ইবা লাইরিক অমসু মহারাজ সনাজাউবনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

এম.এল.এ. থোঙাম বিশ্বজিৎনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-প্রধান মন্ত্রি জন ওসদি পরি য়োজনা অসিনা অনা লায়েংগী লমদা হিদাক লাংথক কয়া অহোংবা মমলদা ফংহনবা ঙমলে। কেন্দ্রশিং অসিদা চাদা ৯০ গী চাংদা মমল তানা হিদাক লাংথকশিং ফংহল্লে। মসিনা মীয়ামদা অনা লায়েংদা চংবা শেনফমশিং চাং য়ামা ৱাংনা হন্থহনবা ঙমলে।

**নুমিৎ(এল)ঃ** মালেমগী নুপীশিংগা নুমিৎকা মরী লৈননা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালদা ঙসি থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমগী মাংওইননা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসিএলশিং অমদি কর্মচারিশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী দাইরেক্তর ইঞ্জিনিয়রিং-এন.নন্দকুমারনা হায়-মণিপুরদা ন্‌পী লান য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌদোক কয়াদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিবু করিদা শোইখিগদগে হায়না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। লোয়নননা নুপীশিংনা মাংজিল থাদুনা লমদম অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং মুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু আপিল তৌখি।

মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালন থৌরমগী মাংওইননা চীফ মেদিকেল ওফিসার-ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ভারত লান্মীনা পুন্না শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাইদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা নুপীশিংগী ওইবা হকশেলগী ফিভম য়েংশিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অঙাং য়াওনা নুপী ৪৫০ রোমগী হকচাংগী অনাবশিং লায়েংখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী অৱাং খুলদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লমদম অদুগী নুপী লুচিংবীশিংগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখি। নুপী লুচিংবী ৬০ রোমনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি অমদি মফম অদুদা নুপীশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

**বিমোল (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি শিংজমৈদা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রাজকুমার ময়াংলম্বম য়াওনা অতৈ কর্ম্মচারিশিং শরুক য়াখি।

**এময়ু (এল)ঃ** ভারত্তিয়া ভাষা উৎসব-২০২৫ গী থৌরম মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এন.ই.পি-সারথিনা শিনদুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারগী দিন প্রোফেসার-সি.ঐচ. ইবোহলনা হায়-য়ুনাইটেদ নেসন্স এদুকেস্নেল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০ দি মহৈ মশিংগী লমদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা মমালোলদা নীংথিনা খঙনবা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংদবগী ৱাফম পনবা থেংনরি। মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং অসিদা মমালোলদা মহৈ তম্লবদি নীংথিনা খঙবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈগনি। হৌজিক নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি) ২০২০ গী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী লোলশিং অসি য়োকখৎনবগী ৱাফম নীংথিনা পল্লি। রাজ্য অসিদসু মসিগী মখাদা মহৈরোইশিংনা তম্লিবা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং মমালোলদা তমদুনা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক মহৈরোইশিংনা তম্লিবা ফিজিক্স অমদি সাইন্স য়াওনা অতৈ সবজেক্টশিং মৈতৈলোলদা আর্থ হন্দোকপগী থবকশিং য়ামা কন্না চংশিল্লি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি কেলেন্দর প্রোগ্রামগী মনুং চনবা য়ামা মরুওইবা থৌরম অমনি। মসিদা সারথিনসু চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইনা শেল্লিবশিং অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনরি।

**কেম্প (এল) ঃ** ঐচ.আই.ভি-এইদস অমদি এস.টি.আইগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইরোম মৈত্রাউদা হৌদোকখ্রে।

নেসনেল এইদস কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন অমসুং মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি অনিগী মখাদা মনিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অসি থা অসি চুপা পাঙথোক্কনি। জিলা

অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল, কলেজ অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা ঐচ.আই.ভি-এইদস অমদি এস.টি.আইগী মতাংদা মীয়াম খঙহনগনি। থৌরম অসিদা ঐচ.আই.ভি. এইদসকা শগোন্ননা হিংলিবা মীওইশিংবু তাথি তাওইনা তৌবীদনবা ৱাফমশিংসু পনখি।

**আইসিএম (এল)ঃ** ওর্গানিক নেচরেল ফার্মিং হায়বসিদা এক্সটেন্সন ওফিসারশিং অমসুং ফঙ্কস্নরিশিংগীদমক লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ কো-ওপরেটিব মেনেজমেন্টগী হোলদা রিজনেল সেন্টর ফোর এক্সটেন্সন এন্দ নেচরেল ফার্মিং ইম্ফাল অমদি ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট-ইম্ফালগা পুন্না শিনদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি-লমফেলগী এক্সটেন্সন এদুকেসনগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-পি.ঐচ. রঞ্জিৎ, আর.সি.ও.এন.এফ. ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর-ডা: ভি.ৱাই. দিওগর অমসুং আই.সি.এম. ইম্ফালগী দাইরেক্তর শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা বেতি বচাউ-বেতি পরাউ স্কিমগী মনুং চন্না মহৈরোইশিংগী ওইবা তুংগী পুন্সিগী পান দমগী মতাংদা থৌরম অমা ঙসি হিল ঘাট কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তমবা করমা হোৎনগনি হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা পাউতাক পীখি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী ক্লাস টেন পরিক্ষা থারিবা অমসুং পরিক্ষশ অসি পাস তৌখ্রবা মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি।

**নসা (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা, জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসনা শিনদুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিং অমসুং লোকেল ক্লবশিংদা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোইশিং অমসুং লমদম অদুগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**কোনুং (এল)ঃ** মনিপুরগী নিংথৌ মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাউবগী য়াথং মতুং ইন্না উমং লাই হরাউবগী থবক থৌরমশিং কাঙলোন চুমা পাঙথোকপা ঙমবগী পান্দমদা উমং লাই হরাউবগী শিন্তাক শিন্তম্বগী থৌরম অমা ঙসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মাইচৌ অতোনবা, মাইবশিং, পেনা অশৈবশিংসু শরুক য়াখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী জাইলত খুলদা অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা শাবা ভিয়ু পোইন্ট অমা ঙসি শঙ্গাদুনা খুল অদুগী মীয়ামদা শিন্নখ্রে। ভিয়ু পোইন্ট অদু জাইলত খুল অমদি লমদম অদোমগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অসাম রাইফলসনা শাখিবনি।

মসিনা লম কোইবশিং য়াওনা মফম অদুগী মীয়ামদা য়ামা নুংঙাইবা মীৎয়েংফম অমদি পোত্থাফম পীরগনি। থৌরম অদুদা জাইলত খুলগী লুচিংবা য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** ‘জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার ১৮৯১ মারটিয়াস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক মনিপুর’ গী তরেৎশুবা হৌদোকখিবা নুমিৎ ইম্ফালগী জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখে।

থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, মনিপুর

য়ুনিভরসিতিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ প্রোফেসার-এন. জয়কুমার অমদি তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশরনা কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা পল্লেন গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা লৈবা সোরা বজার মমাংদা লম্বী শেল্লিবা অদু চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়-কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং মহাকা লেপ্তুনা চৎতুনা য়েংশিনগনি। থবক থৌরমশিং অসি মতৌ করমা পায়খৎলিবগে হায়বদু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনগনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী লৈশোক চিং বেপটিস চর্চতা লৈশোক চিং ৱিমেন ফেলোসিপকী চহি ৬০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। 'ঈশ্বরগী থৌজালগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্তা য়ৌবা ঙম্বা' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা মনিপুর বেপটিস কনভেন্সনগী ৱিমেন সেক্রেটরি-রেবরেন্ট অপিলা থঙ্গালনা থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-য়ুনিয়ন টেরিটোরি দাদ্রা এন্দ নাগর হবেলি, দিয়ু অমসুং দামনদা মালেমগী থাক্কী ওইবা মফম অমা শেমগৎতুনা লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইহল্লি।

সিলভাসাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা মহাকা হায়-সরকার অসিনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অসিবু হকশেল, শিক্ষা অমসুং টুরিজমগী লমদা তোপ তোপ্পা মফম অমা কলহনবা ঙম্লি। তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিম কয়াসু মফমশিং অসিদা ফংহল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রেলগাড়ি অমসুং লম্বী থোংগী খুদোংচাবশিংনা লম

কোইবা মীওইশিংদা হেন্না পুকিং চিংশিল্লি। মফম অদুদা সরকার অসিনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা মফম অসি লম কোইবশিংগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না পুকিং চিংশিনফম মফম অমা ওইরি। চাউখৎপা ভারত অমা হায়বসি মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইরবখক্তদা মায় পাক্কনি। শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা হকশেলগী লমদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহল্লি। লৈবাক অসিদা হাংদোক্লিবা জন ওসাদি কেন্দ্রশিংনা মীচম মীয়ামদা হিদাকশিং অহোংবা মমলদা ফংহল্লি।

**মিনিষ্ট্রি** ঃ মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি-ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা লল্লোন ইতিক্কী য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌননবা ৱাফম কয়া খন্নরি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোয়-রনধির জসৱালনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা হায়-মমাং থাদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী আমেরিকাগী খোঙচৎ অদুদা লৈবাক অনিগী ওইবা লল্লোন ইতিক্কী য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনরগনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈখ্রবনি। মহাকা হায়-কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়ল, আমেরিকাদা মহাক্কা ফম মান্নবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। থৌরাং অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না চেৎপা মরী থমদুনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা হেন্না নকশিনবা মরী থম্লগনি।

**ফুটবোল (এল)**ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অস্ফা) না শিনদুনা চহি ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১০ দগী হৌদুনা ন্যু কছার রোডতা লৈবা হৈনৌবোক্কী ৱাই.সি.ডল্লিয়ু.ও. গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ওফিসিএলশিংনা হয়েং নুংথিল পুং অনি

ফাওবদা অস্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা লাইরেঞ্জম পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৬-০ দা, এম.পি.এস.সি. টিম (এ) না ন্যু ভিজন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-২ দা, রুপকুমার পোলো ক্লবনা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৩ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.আর.সি.-পাইশোইনা পি.পি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী কোংবা ধোবি লম্পাক্তা লৈবা সেদো গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা থাউ থাংমৈবন্দনা অল-অমিন লিলোংবু রন-৩৫২ দা থোইখি।

**থাগৎপা (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফিফা ইন্টরনেসনেলদা শান্ননবা মনিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই তরুক খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা মহাক্কী ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মখোয় তরুক্কীদমক মহাকা য়ামা চাউথোকচবা পোকই। মখোয়শিং অদুদি-রোসন নাওরেম, চিংলেনসনা কোন্সম, সুরেজ ৱাংজম, বোরিজ থাংজম, মহেশ নাওরে অমসুং জেক্সন থৌনাওজমনি।

**সুপর (এল)ঃ** ইন্দিয়ান সুপর লিগকী মেটচ অমদা হৌজিক ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা কেরলা ব্লাস্তর অমদি মুম্বাই সিটি অনিনা লম্বা থেংনরি। লিগ অসিগী টেবলদা মোহোন বগান, গৱা অমদি বেঙ্গলুরুনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈরি।